# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-08-2024)**

**আগষ্ট ১৩ (এল)ঃ** অথৌবশিংগী নুমিৎ ঙসি মনিপুরগী মপান য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক শন্না পাঙথোকরি।

রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ঙসি অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোক্লি। অয়ুক অঙনবদগী হৌনা প্রভাদ ফেরি খোংদুনা নুমিৎ অসিবু ইকায় খুমবা উৎলি।

ঙাইহাক্কী মতুংদা লুচিংবশিং অমদি মীয়ামনা অথৌবা বির টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থঙ্গাল জেনরেল অনিগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবা জগা ইম্ফালগী মোইরাংখোমদা লৈবা হিচম য়াইচম্পাৎ অমদি কোনুং মমাংদা লৈবা থঙ্গাল টেম্পল কমপ্লেক্সতা হৈকৎ লৈকৎ তমগনি। অদুগা নুংথিলদনা কংলা উত্রাদা রাজ্যপাল অমদি মুখ্য মন্ত্রি য়াওনা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎকনি।

মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্কতা পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা মনিপুরগী রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি য়াওনা মীওই কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল-লক্সমন প্রসাদ অচ্যারিয়ানা পীবা পাউজেলদা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয়গী থৌনা ফরবা ইপা-ইপুশিং-বির টিকেন্দ্রজিৎ, থঙ্গাল জেনরেল, চাইরাই নাগা, পুখ্রম্বম কজাউ, নিরঞ্জন সুবেদার অমদি মমা লৈবাক্কীদমক্তা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিং নীশিংহল্লি। মখোয়না নীংখা তম্বা অমসুং অপুনবগী শক্তমদা শিংনরকখিবশিং থৌনা ফনা লেপখিবা অদুগী খুদুং ইনদুনা ঙসিসু ঐখোয় পুন্না অমত্তা ওইনা লেপমীন্নসি।

পাউজেল অমদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-১৮৯১ গী এঙ্গলো মনিপুরি লালদা শক্তি লৈরবা বৃটিশ লান্মীশিংগা লান শোকদুনা মমা লৈবাক্কীদমক

থৱায় থাখিবা অথৌবশিংগীদমক পালন থৌরম অসি চহি খুদিংগী পাঙথোকপনি। নুমিৎ অসিনা লৈবাক অসিগী থৌনা ফরবা অথৌবশিং-য়ুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ, থঙ্গাল জেনরেল, চরাই থঙ্গাল, পুখ্রম্বম কজাউ অমদি মতমদুদা লাম্হেংনখিবা লান্মী কয়ানা লৌখিবা থৌদাং অদুবু শক তাক্লি। ঐখোয়গী লৈখিদ্রবা ইপা-ইপুশিংনা লৈবাক অসিগী নীংতম্বনা মখোয়গী থৱায়দগী হেন্না মরুওইনা লৌরম্মী। মরম অদুনা হৌজিক লৈরিবা মীরোলনা মখোয়গী তুং ইন্দুনা অমত্তা ওইনা লেপমীন্নদুনা রাজ্য অসিদা চংল্লক্লিবা তোখায় তাবগী ৱাখল্লোন থেংনমীন্নবা চংই।

**ত্রাফিক(এল)ঃ** অথৌবশিংগী নুমিৎ পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা খরা লৈগনি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পি. ৱুংপম কছারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-শিংজমৈ ফাওদুনা ইম্ফাল মোরে লম্বীদগী লাকপা গাড়িশিং শিংজমৈ থোং অমদি পিশুম থোং ফাওদুনা চৎকনি। ময়াং ইম্ফালোমদগী লাকপা গাড়িশিং কৈশামথোংলোমদা চংবা য়াররোই। অদুগা পোষ্ট ওফিসরোমদগী লাকপা গাড়িশিং শঞ্জেনথোং নৎত্রগা নিত্যাপাৎরোমদা চৎকনি হায়রি।

**গভনর(এল)ঃ** রাজ্যপাল-লক্ষমন প্রসাদ অচ্যারিয়াগা স্পিপসিএল চীফ সেক্রেটরি-এম.ঐচ. খান, সেক্যুরিতি এদভাইজর, দি.জি.পি, জি.ও.সি. ফিফতি সভেন মাউন্টেন দিভিজন, আই.জি.এ.আর. (সাউথ) অমদি ইন্তিলিজেন্স ব্যুরোগী মীহুৎ কাংবুশিং লোয়ননা অতৈ পেরা মিলিটরি ফোর্সকী ওফিসারশিংগা উন্নদুনা রাজ্য অসিগী ঙাকশেলগী মতাংদা খন্নখ্রে।

ঙরাং রাজ ভবনদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা সেক্যুরিতি এদভাইজর অমদি দি.জি.পিনা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ঙাকশেলগী ফিভমগী মতাংদা রাজ্যপালদা মরিক চুমা খঙহনখি। তুংদা, নেসনেল হায়ৱেশিংদা পোৎ-চৈ পুবা

গাড়িশিং নীংথিনা চৎহন্নবগী মতাংদসু খন্নখিবগা লোয়ননা রাজ্যপালনা দি.জি.পিদা মসিগীদমক মতিক চাবা থৌরাং পায়খৎনবা খঙহনখি। রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎহন্নবা সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা অহেনবা কোওরপোরেসন পীনবসু রাজ্যপালনা ওফিসারশিং অদুদা খঙহনখি।

**উখ্রুল(এল)ঃ** উখ্রুল জিলাদা চিং নিংখায়বগী থৌদোক্তা চহি অমা মখায়রোমগী অঙাং নুপামচা অমা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অদু উখ্রুল মিণি সেক্রেটরিয়েট মনাক্তা থোকখিবনি। ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী-সোথিং সিমরেনা হায়-ঙরাং নুংথিল পুং মঙারোম তাবা অদুৱাইদা অঙাং অদু তুমদুনা লৈরিঙৈদা চিং অদু নিংখায়রকপনি। লৈকাইগী মীওইশিংনা চিং লৈবাকশিংনা ফুমজিনখ্রবা অঙাং অদুবু লৌথোক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পুখৎলবা মতুং লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি। থৌদোক অদুদা য়ুম অদুসু অমাং অতা থোকখ্রে।

**নোনে(এল)ঃ** নোনে জিলাগী ফোটো ইলেক্তোরেল রোল ২০২৫ কী স্পিসিএল সমরি রিভিজন পাঙথোক্লগনি।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-নোনেনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ফিফতি ফোর নুঙবা কেন্দ্রগী ওইনা লাক্লিবা চহি ২০২৫ কী ফোটো ইলেক্তোরেল রোলগী স্পিসিএল সমরি রিভিজন পাঙথোক্লগনি। থা অসিগী ২০ দগী য়ুমথোং খুদিং চৎতুনা বি.এল.ওশিংনা ভেরিফিকেসন তৌবনচিংবা পাঙথোকপা হৌরগনি। মসি ওক্তোবর ১৮ ফাওবা চথগনি। অতৈ মথৌ তাবশিং ইং ২০২৫ কী জানুৱারী অমা ফাওবা চথরবা মতুং ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল চহি অদুগী জানুৱারী তরুক্তা পুথোক্কনি হায়রি।

**কাংপোকপী(এল)ঃ** লাক্লিবা ৭৮ শুবা নীংতম নুমিৎ পালন থৌরমগা মরী

লৈননা পাঙথোকপা এক পের মা কে নামগী থৌরমগী মনুং চন্না ঙরাং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি ফোরেষ্ট ওফিসিএলশিংনা শিনদুনা উ চারা থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

কাংপোকপী জিলাগী ব্রিগেদিয়ার থোমাস গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মহেশ চৌধুরি, কাংপোকপীগী দি.এফ.ও, জিলা অসিগী এ.দি.এম, এ.দি.সি অমদি বি.এল.ওশিংনা শরুক য়াখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসকা বিষ্ণুপুর জিলাগী এস.পিগা উন্নদুনা জিলা অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে।

তুংদা, অসাম রাইফলসনা পাঙ্গলতাবীগী মৈরা পায়বীশিং, লিলোংগী নুপীশিং, সঙাইথেল হায়স্কুলগী মহৈরোইশিং, য়াইরিপোক্কী সি.এস.ওশিং, চন্দ্রখোংগী ত্রান্সপোর্ট এসোসিয়েসন অমদি তোঙান তোঙানবা খুলগী পাস্তর অমদি চর্চ লিদরশিংগসু উন্নখি।

**স্কিম** ঃ পি.এম. সুরিয়া ঘর-মুফ বিজলি য়োজনাগী মখাদা মোদেল সোল্লর ভিলেজগী থবক পায়খৎনবা কেন্দ্র সরকারনা ঙরাং ওপরেস্নেল গাইদ লাইনশিং থোকখ্রে।

ন্যু এন্দ রিন্যুয়েবল ইনর্জি মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়-স্কিম অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট পুমমক্তা মোদেল সোল্লর ভিলেজ অমমম শেমগৎকনি। মন্ত্রালয়না হায়-মসিগীদমক খনগৎলবা মোদেল সোল্লর ভিলেজ অমমমদা লুপা কোতি অমমম পীননবা পুন্না লুপা কোতি ৮০০ খাক্তুনা থমলে।

চেরোল অদুনা হায়-স্কিম অসিগী মখাদা স্পিপসিএল কেটেগোরি ষ্টেটকীদমক খনগৎকদবা খুল অদু রিভিন্যু খুল অমা ওইবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই লিশিং অনিদগী মঙা ফাওবা লৈবা ওইগদবনি।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১১৩ শুবা মনকি বাট- পুকিংগী ৱা থা অসিগী ২৫ দা অকাশবানিদা শন্দোক্কনি। মসিগীদমক মীয়ামা সজেসনশিং টোল ফ্রি নম্বর 1800-117-800 দা পীরকপা য়াগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

পোকফমদা-থাদৌগী লুচিংবশিং ইম্ফালদা ৱারী শাননবা তৌরি, মারগীসু ইম্ফালদা লাক্কে হায়বদা লাকউ হায়খ্রে হায়বা চীফ মিনিস্তর-বিরেনগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এম.এল.এ. তরানা অপুনবগী শক্তম ঙাক্কনি হায়রবদি মনিপুরগী ইরাং চাদা ৯০ লোয়রে হায়বা এম.এল.এ. জয়কিষনগী ৱাফম অসিনা সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-সেন্টরগী মখাদা শান্তি লাকবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়বা গভনরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-নাগা-কুকি কনফ্লিক্ট লোয়শিন্নবা নৎত্রি, লেন্দ ইশুনা মরম ওইরগা থোকখিবনি হায়বা এম.এল.এ. লৈসিও কৈশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ সেন্ত্রেল গভরমেন্টতা তকশিনবীয়ু হায়না গভনরদা তকশিল্লকখ্রে হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-গভরমেন্ট এদেদ কলেজশিংগী ওজা অমদি ষ্টাফশিংগী থা ২৯ গী পীফম থোকপা সেলরিশিং পীথোল্লমদ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-মতম খরগী লাকপা দাইরেক্তর অমদি রেজিস্ত্রারনা এন.আই.টি. মনিপুর মুখৎকদৌরে হায়বা ষ্টাফশিংগী ৱাফম অহানবা লামাইদা

ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-কলেজ ওফ এগ্রীকলচরগী এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিস দেসামনা ছো লোনশিনখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলে।

মোরনিং বেলদা-এসেমব্লিগী অরোইবা নুমিৎতা হাউসনা দিমান্দ ফোর গ্রান টস তরেৎ পাস তৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-ইন্টেসিফাইদ ইনর্ফোমেসন, এদুকেসন এন্দ কম্যুনিকেসন (আই.ই.সি) কেম্পেইন লোঞ্চ তৌখ্রে হায়না এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-উখ্রুল অভা মার্কেটতগী লুপা লাখ কয়ারোমগী মমল ওইগদবা পোৎ-চৈশিং হুরানখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-এম.এল.এ. য়াওনা লান পাম্বা মীওইশিং চীফ মিনিস্তর এন. বিরেননা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তোরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরি রি-ওর্গনাইজেসন অসি তঙাইফদবা অমনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রি-বিরেন সিংহগী ৱাফম ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ ৮ না ইন্দপেন্দেন্স ডে নুমিৎতা টোটেল সটদাউন্দ লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-নাগা পিছ প্রোসেসতা ইন্দিয়া গভরমেন্টনা পুকচেল শেংদবগীদমক অন্সমনা ইন্দিপেন্দেন্স ডে থৌরম বোইকোট তৌখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।